# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 12-03-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) থৌবাল অমদি চুরাচান্দপুর জিলাদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা খুৎশু খুৎলায় কয়া লৌখৎপা ঙমলে।

২) উখ্রুল জিলাগী সঙকাই ভিলেজ মপাদগী কুকিশিংনা ফাজিনখিবা মীওই ২১ ঙসি অয়ুক লিতান পুলিস ষ্টেসনদা তেক্ত-কাইদনা শিন্নরকখ্রে।

অমসুং

৩) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ মোদিনা ঙরাং কেরলম অমদি তামিলনাদুগী লুপা কোতি লিশিং ১৬ হেনবগী তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্ট কয়া হৌদোকখ্রে।

------

পুলিস (এল)ঃ থৌবাল জিলাগী নোংপোক সেকমাই পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা ক্বারোক মরিংগী চীংখোঙদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা খুৎশু খুৎলায় কয়া লৌখৎপা ঙমলে। খুৎলায়শিং অদুগী মনুংদা মেগজিন য়াওবা এ.কে. রাইফল অমা, লেথোদ গন অমা, এস.বি.বি.এল গন অনি, গ্রেনেদ মরি, দিতোনেতর অনি, নোংমৈ মরু য়াওনা অতৈ লানদা শিজিন্নবা পোৎলম কয়া য়াওরি।

মণিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- সেক্যুরিতি ফোর্সনা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লেপ্পা লৈতনা থিবা হুন্বগী থবক চত্থরি। চুরাচান্দপুর জিলাগী শঙাইকোট পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা জি. সোংগেল ভিলেজদা থিবা হুন্বগী থবক চত্থবদা কন্ত্রিমেদ বোল্ট এক্সন এস.বি.বি.এল কেলিবর রাইফল অহুম, মেগজিন য়াওবা কন্ত্রিমেদ বোল্ট এক্সন

থ্রি নোট থ্রি কেলিবর রাইফল অমা, মেগজিন য়াওবা কন্ত্রিমেদ নাইন এম.এম কেলিবর পিষ্টোল অমা, লোকেল মেদ রোকেট সেল ৬, পম্পি অমা অমদি ষ্টন গ্রেনেদ অনি ফাগৎপা ঙমলে।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা তোঙান তোঙানবা লালহৌলুপশিংগী কাদরশিংসু ফাগৎপগী থবক লেপ্তুনা চখ্খরি। চেরোল অসিনা মখা তানা হায়- সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং আর.পি.এফ-পি.এল.এগী কাদর অমা ককচিং জিলাদগী ফারে। মহাক অসামগী সিলচর বন্সকন্দিদগীনি। হৌজিকা ককচিং জিলাগী ৱাবগাই কদাজিৎ মনিং লৈকাইদা লৈবনি। মঙোনদগী থ্রি নোট থ্রিগী মরু মরি, এমতি কেস ৯ য়াওনা অতৈ লানদা শিজিন্নবা পোৎলমশিং ফংখি।

বিষ্ণুপুর জিলাগী চনুরা বজারদগীসু কে.সি.পি নোংদ্রেন খোম্বগী কাদর অমা মণিপুর পুলিসনা ফারে। ফারবা মীওই অসি ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী সরৌথেলদগীনি হায়রি।

প্রিপাক প্রোগী এক্তিভ কাদর অমসু ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা ক্বাকৈথেল লমদোং লৈকাইদা লৈবা ভারাগী য়ুম অমদগী ফারে। মীওই অসি বিষ্ণুপুর জিলাগী কুম্বী বজারদগীনি হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়- চান্দেল জিলাগী চকপীকারোং পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা পি.ভি.সি.পি সালুক সি.ও.বিদগী মীওই অহুম হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ব্রাউন সুগরকা কোন্ননা ফাখি। ফারবা মীওইশিং অসি তেংনৌপল জিলাগী মোরে ৱার্দ নম্বর-টু অমদি খোনোমফাইদগীনি। মখোয়দগী সাপোন কেপ ৫৮ দা হাপ্তুনা পুরকপা ব্রাউনসুগর ফাগৎপা ঙমখিবনি।

অমরোমদা, চুরাচান্দপুর জিলাগী হাওপি মোলেন এরিয়াদা থারম্বা পোপি পাম্বীশিং ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্স অমদি ফোরেষ্ট বিভাগকী কাংবুনা য়াম্থৎতুনা মাংহনখ্রে হায়রি।

উখ্রুল (এল)ঃ ইম্ফাল-উখ্রুল লম্বী নেসনেল হাইৱে-১০২ গী উখ্রুল জিলাগী সঙকাই ভিলেজ মপাদগী কুকিশিংনা ফাজিনখিবা মীওই ২১ ঙসি অয়ুক লিতান পুলিস ষ্টেসনদা তেক্ত-কাইদনা শিন্নরকখ্রে।

ঐখোয়গী উখুল পাউমী সোথিং সিমরেনা হায়- নুপী ৫, নুপা ১৬ পুন্না মীওই ২১ ঙসি অয়ুক অঙনবদা লিতান পুলিস ষ্টেসনদা থাদোরকপনি। মখোয়বু তাঙ্খুলগী সি.এস.ওশিংনা উখুলগী দিপ্যুতি কম্মিসনার অমদি এস.পি য়াওনা ওক্লবা মতুং তাঙ্খুল নাগালোংগী ওফিসতা ইমুং মনুংগী মীওইশিংদা শিন্নখি। অদুবু মখোয়না তোংখিবা কার অনি অমদি মীওই ২১ অসিগী মোবাইল ফোন হৌজিক ফাওবগী ওইনদি শিন্নরক্ত্রি।

নিংশিংবা য়াই, ফাখিবা মীওইশিং অশোই অঙাম য়াওদনা থাদোকহন্নবা তাঙ্খুল নাগালোংনা মুখ্য মন্ত্রিগী পুকিং চিংশিনখ্রবা মতুংদা মরাল লৈজদবা মীচমশিং ফাখিবা থৌদোক অদুবু মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা য়ামা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোকখিবা লৈখ্রে। ফাজিনখ্রিবা মীওইশিং অদু মীওইবগী মীংনুশি য়েংদুনা অথুবা মতমদা অশোই অঙাম য়াওদনা থাদোরকবা মুখ্য মন্ত্রিনা মরী লৈনবশিংদা আপীল তৌখিবনি।

এসেমব্লি (এল)ঃ  ১২ শুবা মণিপুর বিধান সভাগী ৭ শুবা মীফমগী ঙসি মরিনি চনবা নুমিৎতা ফাইনান্স, ইজ্কেসন, কোওপরেসন, এগ্রিকলচর, এনিমেল হজবেন্দরি, ভেটরিনারি, দেরি ফার্মিং, ইলেক্সন, মাইনর ইরিগেসন, সেরিকলচর, ৱাটর রিছোর্সেস দিপার্টমেন্ট, হোরতিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জার্ভেসন, রিলিফ এন্দ দিজাষ্টর মেনেজমেন্টনচিংবা বিভাগশিংগী দিমান্দস ফোর গ্রান্টস খন্নগনি।

এআর (এল)ঃ  অসাম রাইফলসনা লিলোংগী পুলিস ষ্টেসনশিং, বিষ্ণুপুরগী এস.দি.সি, ফৌবাকচাউগী মৈরা পায়বীশিং, ৱারোইচীং হাইস্কুলগী প্রিন্সিপাল, তোঙান তোঙানবা ভিলেজ চীফশিং অমদি মীওই কয়া উন্নদুনা রাজ্য অসিগী ঙাকশেলগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নখ্রে।

মোদি ঃ  প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙরাং কেরলম অমদি তামিলনাদুগী লুপা কোতি লিশিং ১৬ হেনবগী তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্ট কয়া হৌদোকখ্রে।

তামিলনাদুগী ওইনা লুপা কোতি লিশিং ৫,৬৫৫ গী তোঙান তোঙানব প্রোজেক্টশিং খরগীনা যাত্রা হুল্লমখি, খরগীনা শঙ্গাখি। প্রধান মন্ত্রিনা মফম অসিদা ত্রেন সার্ভিস মঙা লমথারমখি। মদুগী মনুংদা অমৃট ভারত এক্সপ্রেস ত্রেন য়াওরি।

তামিলনাদুদা এন.দি.এনা শিন্দুনা পাঙথোকপা মীয়ামগী রেল্লি অমদা ৱা ঙাংবদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- নোংচুপ এসিয়াদা থোক্লিবা উংখৎনবা অসিনা মরম ওইরগা মালেমগী ওইনা লৈরিবা ইনর্জি সপ্লাই চেন অসিদা অদুক্কী মতিক চাউনা শোকহল্লে।

মদুগী মমাংদা, প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা কেরলমগী ইরনাকুলমদা লুপা কোতি লিশিং ১১ রোমগী তোঙান তোঙানবা চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট খরগীনা শঙ্গাখি, খরগীনা যাত্রা হুনখি। প্রোজেক্টশিংগী মনুংদা হাইৱে প্রোজেক্ট অনি য়াওরি। শ্রী মোদিনা ভারত পেত্রোল্লিয়ম কোরপোরেসন লিমিতেদকী পোলিপ্রোপেলিন য়ুনিত অমা কোচি রিফাইনারিদা শাননবা যাত্রাসু হুনখি। প্রোজেক্ট অসি লুপা কোতি লিশিং ৫,৫০০ চংনা পায়খৎকদবনি।

মুরমু ঃ রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা ঙসি নিউ দিল্লিদা ৱিমেন ইন এগ্রি ফুড সিষ্টেম ২০২৬ কী গ্লোবেল কনফরেন্স হৌদোক্লগনি। নুমিৎ হুমি চথুগদবা কনফরেন্স অদু নিউ দিল্লিগী ইন্দিয়ান কাউন্সিল ওফ এগ্রিকলচরেল রিছার্স (আই.সি.এ.আর)গী কনভেন্সন সেন্তরদা পাঙথোক্কনি।

থৌরম অদুদা কেন্দ্রগী এগ্রিকলচর অমসুং ফারমর্স ৱেলফ্যার মন্ত্রি শিবরাজ সিংহ চৌহান শরুক য়াগনি। মীফম অসিগী থিমনা দ্রাইভিং প্রোগ্রেস, এটেন্নিং নিউ হাইটস হায়বসিনি।

মীফম অসিদা লৈবাক অসিগী অমসুং মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদগী বৈগ্যানিকশিং, পোলিসি মেক্কর, উদ্যোগকী লুচিংবা, ওন্তরপ্রেন্যুর, নুপী লৌমীশিং, ষ্টার্টঅপ অমসুং মহৈরোইশিং য়াওনা দেলিগেট ৭০০ লোম শরুক য়াগনি হায়না পানরি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

মীতোপ হান্না খন্দোকশি, সেন্সস কোন্না তৌশি হায়বা দাবীদা চংশিনখিবা খোঙজং, মণিপুর বিধান সভাগী পাউ অমদি মীচমশিং ফাজিনখিবগী মুখ্য মন্ত্রিনা থাদোরকবা আপীল তৌবগী পাউনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিং ওইরে।

মীতোপ খন্দোক্ত্রিঙৈদা সেন্সস পাঙথোকপা য়ারোই হায়দুনা দেমোক্রেতি ওইবা মওংদা খোঙজং চংশিল্লকপশিং সেক্যুরিতি ফোর্সনা লাকশিন্নবা হোৎনবদা ১৪ শোক্লে হায়বা পাউ অসি হুইয়েন লানপাউগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

তোঙান তোঙানবা বিভাগ ১৪ গী দিমান্দস ফোর গ্রান্টস ঙরাং এসেমব্লিদা পাস তৌখ্রে হায়বা পাউ অসিনা মণিপুর মেলগী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

সেন্সসকী মতাংদা ষ্টেট গভর্নমেন্টনা এস.আই.আর তৌরগা য়ুম মশিং থিনবগী ই.সি.আইগা কম্ম্যুনিকেদ তৌরে হায়বা মুখ্য মন্ত্রিগী ব্রাফম নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সনালৈবাক্তা- মিলননা নেপিয়র থাদুনা লাইভষ্টোক ফারমর ৫০০ রোমদা মতেং পাংবা ঙমলে হায়বা এক্সক্লুসিভ রিপোর্ট অমা এনকর কলমদা ফোংলে।

কুকি খুৎলায় পায়বশিংনা নাগা খুঞ্জা ২০ লোম ফাজিনখ্রে, চীফ মিনিষ্টরনা মখোয়বু তেক্ত-কাইদনা থাদোকবা আপীল তৌরি হায়বা পাউ অসি পোকফমগী বেন্নর হেদলাইন তৌরে।

শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনদনা লুত তৌখিবা খুৎলায় লিশিং ১ লৌখৎকদবা ব্রাৎলি হায়বা পাউ অসিনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনদা- রিটয়ার্দ বি.দি.ও অমনা এম.জি. নরেগাগী লুপা লাখ ৫০ লান্না লৌথোক্লমলে হায়বগী পাউ অহানবা লমায়দা ফোংলি।

পিপলস ক্রোনিকলদা নাগা তাবা লমশিংদগী অসাম রাইফলসশিং লৌথোক্কদবনি হায়না সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট ষ্টুদেন্টস এসোসিয়েসন্না দাবী তৌরি হায়না এনকর কলমদা ফোংলি।

হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা- মণিপুরগী ইরাংদা লাকখিবা খুৎলায়দগী হেন্না লৌখৎপা ঙমলে হায়না হোম মিনিষ্টর গোবিনাদাসনা ফোংদোকখ্রে হায়বসি অহানবা লমায়দা ফোংলি।

------